প্রোফেসর লাইশ্রম সদানন্দনা লৈখিদবদা ওল ইন্দিয়া পিছ এন্দ সোলিদরিটি ওর্গনাইজেসন অমদি সিনিয়র সিটিজন মণিপুরগী অপূনবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা লূপ অনী অসিগী থৌমীশিংনা মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্লুনা অৱাবা ফোঙদোকখিবা

লৌমীশিংনা হার ফংনদবগী অৱাবা মায়োক্নরিবা অসিদা মতেং ওইননবা পাৎশোই পার্ট টু মখা লৈকায়গী লৌমীশিংদা আর কে ফোর্চুন দিভেলপর প্রাইভেট লিমিটেদকী মেনেজিং দিরেক্টরসু ওইরিবা সোসল ৱার্কর আর কে রামেশ্বরনা হার য়েন্থোকখিবা

সিখোং বজারদা লৈবা ফার্মাসি অমগী বাথরুমদগী হেমচন্দ্র, ইবুংঙো, অচৌ, মথং অমসুং সুরেশকুমার কৌবা মীওই মঙানা ফাদুনা কল্লবা শজি নোংপোক সেকমাই পুলিস ষ্টেসনগী ও সী কৈশাম প্রেমদা খুৎশিন্নখিবা

আই জি এ আর (ইষ্ট) / ২২ সেক্তরগী মীৎয়েং মখাদা ৪৪ অসাম রাইফলসনা শীন্দুনা কার্গিল বিজয় দিবস থৌরম পাঙথোক্তুনা কার্গিলগী লানফমদা থৱায় কৎখ্রবা লান্মীশিংগী মফমদা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখিবা

‘মীয়ামগী পুন্সি কন্ননবা লৈঙাক্না পায়খৎলিবা থবক থৌওংশিং রিভিয়ু তৌদুনা পায়খৎপগী মথৌ তারক্লে’

ইম্ফাল, জুলাই ২৬(ঐচ এন এস):

কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎনা মীয়াম খম থেংনা অৱাবা তারে। মীয়ামগী পুন্সি কন্ননবা লৈঙাক্না পায়খৎলিবা থবক থৌওংশিং অসি রিভিয়ু তৌদুনা মখা তানা য়েংশিল্লগা পায়খৎপা যাবা থৌরাংশিং থিন্থবা তৌদনা থবক ওইনা পায়খৎপগী মথৌ তারক্লে হায়না পিপলস টাস্ক ফোর্স ফোর কোভিদ-১৯ (পি টি এফ সী-১৯) গী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

পিপলস টাস্ক ফোর্স ফোর কোভিদ-১৯গী কনভিনর বি কে মোইরাংচানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, খুন্নাই অমা লৈরবদি ষ্টেট লৈঙাক অমদি য়ুনিয়ন লৈঙাক অদুনা মীয়াম্বু ঙাক শেনবা অমদি লন-থুম ঙাক শেনবা হায়বসি তৌদবা য়াদ্রবা থৌদাংনি হায়বসি মীপুম তীংনা খঙনরবা ৱাফমনি। হৌজিক মীয়াম খুদোংথিবা নংলে, অৱাবা তারে। পিপলস টাস্ক ফোর্স অমদি লম-লমগী টাস্ক ফোর্সশিংনা মাঙজিল থারগা এৱ্যের্নেস পীরগা লৈঙাক্কী মতেং পাঙবগী থবক ঙসি ফাওবা লেপ্তুনা চৎথরি। মণিপুর লৈঙাক্না কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসি থেংননবা অমদি মায়থীবা পীননবা চঙশিল্লিবা খোঙজং অমদি পায়খৎপগী থবকশিং অসি মায় পাকপগী মহুৎতা মায়থীবা লাক্তুনা হেন্না শাথিবা মওংদা লাক্তুনা নোংম-নোংমগী মীশি-মীনা হেনগৎলক্তুনা মীশিং য়ামজদ্রবা ইরমদমগী মীয়াম নোংম-নোংমগী অৱাফমদা তাবগী চাংসু ৱাংখৎলক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা মীয়াম অমদি লৈঙাক্না য়াম্না হৈ-শিংনা কুপ্না খন্থরগা ঐগী মীগী নাইবা মচু শংলবা পোলিটিক্স য়াওদনা লাইচৎ অসি থেংনবদা কথোকপগা লোয়ননা থম্মোয় শেংনা চান্ন-চুনবা থৌরাং পায়খৎপা নত্তনা লাইচৎ অসি থেংনবগী ঙম্বগী ফীভম লৈরক্রে। খুল-খুলদা লৈবা ক্লব, মৈরা পায়বী অমদি সী এস ওশিংগা পুন্না খুৎশম্নদুনা চৎমিন্নরগা লৈঙাক্না থেংনবা হায়বসিনা কোভিদ লায়না অসি থিংবদা মায় পাকপগী অমত্তা ঙাইরবা লম্বী ওইহনবা নত্তনা অতৈ লম্বী লৈতে হায়বসি লৈঙাক্না খঙজিনবা তৌদনা থেংথদনা থবক ওইনা পাঙথোক্লবা হোৎনগদবনি। অদুবু থেংলবসু থেংনা মণিপুরগী মীশিং য়ামজদ্রবা য়েলহৌমী মীয়াম মুৎহনবদি য়াদবনিনা ঐগী মীগী নাইবা মচু শংলবা পোলিটিকেলগী মীৎয়েং থাদোক্লগা শোয়ফদ্রবা থৌদাং লৌমিন্নসি। পুম্নমক্না লৌখৎমিন্নবা য়াবা থৌদাংশিংদি লাইচৎ অসি অহানবা হৌরকপা ফর্ষ্ট ৱেভকী মতমদা লৌখৎখিবা থবক, মণিপুরগী মপান্দগী চঙলকপা মীওইশিং ক্বারন্টিন তৌহনবগী থবক মখা তানা চথবা, নেসনল হায়ৱে ওইরিবা জিরিবাম অমসুং দিমাপুরদগী লোয়ননা এয়রপোর্টতগী লাকপা মীওইশিং ক্বারন্টিন তৌদনা অমদি চেক তৌদনা ফ্রীদা থাদোকপগী থবক তৌবীদবা, হেন্না চেকশিনবা, অকনবা মীৎয়েং চঙবা, ক্বারন্টিন তৌহনবা, কম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টরশিংগী ফীভম ফগৎহন্দুনা পরম চুন্না মথৌ তৌহনবগা লোয়ননা মশীংসু হেনগৎহনবা, কোভিদ ক্যের সেন্টরদা থমগদবা অনাবশিং কম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টরদা য়েৎশিন্দুনা থমদবা, কোভিদ ক্যের সেন্টরসু মশীং হেনগৎহনবা, লম-লমগী লৈকায় লৈকায়দা শেল্লিবা টাস্ক ফোর্সশিং, সী এস ওশিং লৈঙাক্না কোনশিন্দুনা খুৎশম্নরগা মথৌ মপুং ফানা পাঙথোকহনবা, মখোয়গী থৌদাংশিংবু লৈঙাক্না লুম্না লৌবা মথৌ তাই।

টোটেল কর্ফিয়ু, লোকদাউন তৌবা খক্তনা মপুং ফাবা চেকশিন থৌরাং ওইবা য়াদ্রে, অহোবা লৈরে। টোটেল কর্ফিয়ু, লোকদাউন মনুংদা মপুং ফানা টেষ্ট তৌবা, ভেক্সিন কাপথোকপা লোইননবা থবক পায়খৎপা নৎত্রগদি টোটেল কর্ফিয়ু লোইরগা নুমীৎ ১০নিগী মতুংদা মীয়াম পাক্তক্লনা অমুক হন্না কোভিদ শন্দোকহল্লকপগী মরম ওইরক্কনি। মরমদি টোটেল কর্ফিয়ু মনুংদা পোজিটিভ ওইবা য়াওবশিংগী ইমুং-মনুং পুল্লপ-পুল্লপ পোজিটিভ ওইরল্লগনি। মীপুম খুদিংমক টেষ্ট তৌথোকপা অমদি ভেক্সিন কাপথোকপা ঙম্নবগী লম্বীদি এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সি (এ সী) সাইজ ওইনা মথং-মনাও কর্ফিয়ু থল্লগা মণিপুরগী হেল্থ দিপার্টমেন্টকী মেনপৱার শীজিন্নরগা এ সী অমদা নোংমা নীনিদা টেষ্ট তৌবা অমদি ভেক্সিন কাপ্পা লোইথোকপা অসুম্না মথং-মনাও নাইনা চথবা চঙই। ভেক্সিন কাপথোকপসি পোজিটিভ ওইবা মীওইদি থা ৩গী মতুংদা কাপকদবনি হায়বা ৱাফম লৈবনা ভেক্সিনগী কেম্প্যেন চথবা মতমদা ভেক্সিন কাপত্রিঙৈদা টেষ্ট হান্না তৌথোক্তুনা চেক তৌগদবনি। কোভিদকা মরী লৈননা ভেক্সিন কাপথোকপদা মী শিবা য়াওখিবশিং অমদি মখা তানা য়াওরক্লবদি মেদিকেল এক্সপার্ট টিম শেমদুনা থিজিনগদবনি। কোভিদ লায়নাদগী মীওইবগী পুন্সি কন্নবা হোৎনবগী ফর্ষ্ট প্রাইওরিটিদি টেষ্ট তৌবনি। সেকেন্দ প্রাইওরিটিনা ভেক্সিন কাপ্পনি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ওক্সিজেন প্লান্ট শারগনি, ওক্সিজেনগী অৱাৎপা লৈররোই : রামেশ্বর

ইম্ফাল, জুলাই ২৬(ঐচ এন এস):

ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা ওক্সিজেন প্লান্ট অমা অথুবা মতমদা শাবা হৌদুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মীয়াম্না ওক্সিজেনগী মথৌ তাবা অনাবশিংদা ওক্সিজেনকী অৱাবা লৈররোই হায়না ককচিং এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা ফোঙদোরক্লি।

কম্যুনিটি হেল্থ সেন্টর (সী ঐচ সী) ককচিংগী মনাক্তা নৌনা শাগদৌরিবা ফমুং ১০০ লৈগদবা কোভিদ হোস্পিটালগী মনাক্তা শাগদবা ২৫০ লিটর পর মিনিট (এল পি আর) কেপাসিটি ওইগদবা ওক্সিজেন প্লান্ট শাফম য়েংশিনবগী খোঙচৎতা এম এল এ রামেশ্বরনা মখা তারদুনা হায়, মণিপুর লৈঙাক্কী লুচিংবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা অয়াবা পীবীদুনা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ফমুং ১০০ লৈগদবা কোভিদকী হোস্পিটাল অমা শাবা হৌনবা থৌরাং তৌরি। কোভিদ হোস্পিটাল অসিগা হেক থংননা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ওইবা ওক্সিজেন প্লান্ট অমা অমুক শাননবা অয়াবা পীবীরক্তুনা অথুবা মতমদা শাননবা মণিপুর পুলিস হাউজিং কোর্পোরেসনদা শীন্নবীরক্তুনা শাবা হৌনবগীদমক এঞ্জিনিয়রশিং ঙসি থাবীরক্তুনা মফম য়েংশিনমিন্নবনি। চীফ মিনিষ্টরনা পায়খৎলিবা অফবা খোঙথাং অসিমক ককচিং দিষ্ট্রিক্ট অসিদা লৈরিবা মীয়ামগীদমক্তি য়াম্না চাউবা চাউখৎ খোঙথাং অমনি। ওক্সিজেন প্লান্ট অসিনা মথৌ তারক্লবদি ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা ওক্সিজেনকী অৱাৎপা লৈররোই হায়বগী থাজবা লৈ। অসিগুম্বা অফবা খোঙথাং কয়া পায়খৎলকপা অসিগীদমক প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনবু ককচিং এ সীগী মীহুৎ অমা ওইনা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মীয়ামগী মহুৎ শীল্লগা থাগৎপসু ফোঙদোরকখি।

কোভিদ লাইচৎ অসিবু থেংননবা সেন্টর অমসুং ষ্টেটতা পাল্লিবা বি জে পিনা লুচিংলিবা লৈঙাক অসিনা থবক কয়া পায়খৎলি। মীয়াম্নবু লাইচৎ অসি মুথৎনবা হোৎনবদা শোয়দনমক কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকপীয়ু হায়না মীয়ামগী পূক্নিং চিংশিনখি।

ঙসিগী য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিবা মণিপুর পুলিস হাউজিং কোর্পোরেসনগী এসিষ্টেন্ট এঞ্জিনিয়র লোকেন্দ্রোনা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুর লৈঙাক্না মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট ১২দা পায়খৎকদবা ওক্সিজেন প্লান্টশিংগী মনুং চন্না ককচিংগী প্লান্ট অসি পায়খৎনবা মফম অসি য়েংশিনবনি। প্লান্ট অসি অথুবা মতমদা শাবা হৌদুনা মীয়ামদা কান্নবা পীনবা চীফ মিনিষ্টরনা পীবীরকপা পাউতাক্কী মতুংইন্না অথুবা মতমদা শাগৎতুনা প্লান্ট অসিগী কান্নবা মীয়ামদা ফংহন্নবা হোৎনরগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

দিজল পম্প অমসুং ইলেক্ট্রিক পম্প খুৎশিন্নখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৬(ঐচ এন এস):

কুম্বী এ সীদা বি জে পিগী মীরেপ ওইখিবা অমসুং আই সী এ আর সোসাইটি, ন্যু দেল্লীগী মেম্বর কে ঐচ নবকুমারনা কুম্বী এ সীগী মনুংদা লৈবা নাওদাখোং ৱাঙু সেল্লুংখোং অমসুং কুম্বীদা লৈবা লৌমীশিংগী ঈশিংগী অৱাবা খরদং ওইরবসু কোকহন্ননবগীদমক ঈশিং চিংবদা শীজিন্নগদবা দিজল পম্প অমদি ইলেক্ট্রিক্কী পম্প অনী খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

পম্পশিং খুৎশিন্নখিবগা মরী লৈননা কে ঐচ নবকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, লৌমীশিংনা হারগী অৱাৎপা লৈরবসু পীননবা হোৎনগনি। জুলাই ৩১দা লোইশিনগদবা লৌমীশিংদা পীবা পি এম ফসল বিমা য়োজনাগী খুদোংচাবা লৌননবসু লৌমীশিংদা আপীল তৌরি। পি এম ফসল বিমা য়োজনাগীদমক মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওফিসরদা তান্নবা মথৌ তই হায়খি।

চকপীকারোংগী গেষ্ট হাউস লোইশিনবীদ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৬(ঐচ এন এস):

চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা চকপীকারোংদা কোংগ্রেস লৈঙাক্কী মতম কুমজা ২০১২দগী শাবা হৌখিবা চকপীকারোংগী গেষ্ট হাউস ঙসি ফাওবা শাবা লোইশিনবীদ্রে। লৈরিবা মওং অদুদা লমদম অদুগী মীয়াম্না পেন্নদ্রে।

হীরম অসিগী মতাংদা চকপীকারোং খুলগী চীফ টি ঐচ বেরেক অনালনা পাউমীশিংদা ফোঙদোরকপদা, মীয়ামগীদমক লৈঙাক্না পীরকপা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং মপুং ফানা লোইশিনবীদবা অসি নুংঙাইতবা ফাওই। মফম অসিদা শাবা হৌরল্লিবা চকপীকারোং গেষ্ট হাউস অসি চহী ৯ লোম শুজিল্লক্লবা অসি ফাওবা করিমত্তা মচি লেঙদনা লৈরি। মরী লৈনবা পি ঐচ ঈ দিগী চীফ এঞ্জিনিয়রদসু অইবা চেরোল পীদুনা ৱাকৎখ্রে। অদুবু ঙসি ফাওবা করিগুম্বা পাউখুম অমত্তা পীবীরকপা লৈত্রি। মরম অসিনা হৌজিক পাল্লিবা বি জে পি লৈঙাক অসিনা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়না চকপীকারোং খুলগী চীফ টি ঐচ বেরেক অনালনা লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিল্লক্লি।

মণিপুরী ফিল্মগী শক্নাইরবা প্রদ্যুসর, দিরেক্টর চান হৈস্নাম লৈখিদ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৬(ঐচ এন এস):

মণিপুরী ফিল্মগী শক্নাইরবা প্রদ্যুসর, দিরেক্টর চান হৈস্নাম ঙসি অয়ুক লৈখিদ্রে। মহাক্না লৈখিদবদা ফিল্মগা মরী লৈনবা তোঙান-তোঙানবা লূপশিংনা অৱাবা ফোঙদোক্লরক্লি।

মমি থৱান ফাউন্দেসনগী জেনরেল সেক্রেটরি এল কুঞ্জকেশ্বরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, শৈথাবা অমদি শীংথাবদনা ৱাৎহৌরগদবা মণিপুরী ফিল্মগীদমক অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা শক্নাইরবা ফিল্ম মেকর অমদি মমি থৱান ফাউন্দেসনগী এদভাইজরসু ওইরম্বা চান হৈস্নামনা ঙসি খঙহৌদনা লৈখিদবদা ফাউন্দেসন অসিনা অৱাবা ফোঙদোকচরি। মহাক্কী থৱায়না লাইরম্লেন্দা ঈংনা চিক্না পোথারুবা ওইরসনু।

ওল মণিপুর ফিল্ম মেকরস এন্দ প্রদ্যুসরস এসোসিএসন (অম্ফিম্পা) গী জেনরেল সেক্রেটরি প্রেমজিৎ নাওরোইবমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ঙসি নোংঙাল্লমদাইদা লমদম অসিগী তাঙলবা ফিল্ম পর্সনেলিটি চান হৈস্নামনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা ওল মণিপুর ফিল্ম মেকরস এন্দ প্রদ্যুসরস এসোসিএসন্না অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

চান হৈস্নামনা হিংলিঙৈ মতমদা লমদম অসিগী ফিল্মবু চাউখৎননবা অচৌবা থৌদাং কয়া লৌরমখি। অনৌবা আর্টিষ্ট কয়া পুথোকপদা অচৌবা থৌদাং লৌরমখিবা মীশক অমসুনি। মহাক্না মমিং লৈরবা মণিপুরী ফিল্ম কয়া পুথোক্লমখি। মহাক্না পুথোক্লম্বা ফিল্মশিংগী মনুংদা ভিদিও ফিল্ম অদুঙৈগী মশান্নগুম, ক্বা মতপ, সেল্লুলোইদ ফিল্মদা কনাগা হিংহৌগনি, ইরাল ওইরগে, অমম্বসু অঙানবনি, অরোইবা নত্তে, থম্মোয়নদি কৌথৈরি, থৱানমিচাক্না কেনখ্রবসু, ঐগীনি খন্না, দিজিটেল ফিল্মদা তেল্লবা পুন্সিগী ঈশৈনচিংবা ফিল্মশিং পনবা য়াই। মহাক ওল মণিপুর ফিল্ম মেকরস এন্দ প্রদ্যুসরস এসোসিএসনগী হান্নগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বদা নত্তনা অম্ফিম্পাগী লাইফ টাইম এচিভমেন্ট এৱার্দ অরংবা থৱানমিচাক মিংথোল পীদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি। মহাক্না লৈখিদবদা অম্ফিম্পানা অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

নোকফদে কলচরেল ফাউন্দেসনগী সেক্রেটরি থৌদাম রুহিনিকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুরগী শক্নাইরবা সেল্লুলোইদ ফিল্ম অমদি দিজিটেল ফিল্মগী প্রদ্যুসর, দিরেক্টর, ব্রাইট ফিল্মস মণিপুরগী চান হৈস্নামনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা থম্মোয় শোক্না অৱাবা ফোঙদোকচরি। ঙসি ওনলাইনগী খুথাংদা আর কে ফিল্মস ইম্ফাল অমদি নোকফদে কলচরেল ফাউন্দেসনগী আর্টিষ্টশিংনা চান হৈস্নামনা লৈখিদবদা মহাক্না মণিপুরী সিনেমাগী লৌরম্বা থৌদাংশিং শীংথাদুনা মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্লুনা অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপুগী নাক্তা ঈংনা চিক্না লৈরুনবা থৌনিখি। চাননা হিংলিঙৈদা নোকফদে ভিদিও ফিল্ম ভোল্যুম ১দগী ৫ ফাওবা এদিটর ওইখি। লোয়ননা নোকফদে ফিল্ম ভোল্যুম ১৪দগী ১৭ ফাওবা য়াওরমখি। মহাক্না লৈখিদবা হায়বসি অমুক হন্না মেনশিনবা ঙম্লরোইদবা অচৌবা মাঙজবা অমনি। লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়রি।

সিনে দিরেক্টরস গিল্ড মণিপুরগী সেক্রেটরি জেনরেল ওজিৎবাবু নিংথৌজানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুরী ফিল্মগী শক্নাইরবা প্রদ্যুসর, দিরেক্টর চান হৈস্নামনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা সিনে দিরেক্টরস গিল্ড মণিপুরনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। ওনলাইনগী খুথাংদা পাঙথোকখিবা অৱাবা ফোঙবগী থৌরমদা মহাক্না ফিল্ম ইন্দষ্ট্রিদা লৌবিরম্বা থৌদাং কয়াবু নীংশিংলদুনা মণিপুরী ফিল্মগী তাইবংদা চাউনা অহোবা অমা লৈহৌরগনি হায়না শীংথানখি। লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু সিনে দিরেক্টরস গিল্ড মণিপুরনা শরুক য়ারি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তারক্লি।

শীংনরক্লবদি ঐখোয়না তুমীন্না খক লৈরোই : হাওমি

ইম্ফাল, জুলাই ২৬ (ঐচ এন এস):

কংলৈপাক মণিপুরদা লৈরিবা য়েক-সলাই লৈবা য়েলহৌমীশিং অসি য়াম্না মীনুংশি লৈবা, থৌজাল হৈবা, পুকচেল চাউবা কাঙবুনি। মসিমক্না ইরমদম অসিদা ম্যান্মার অমদি বাংলাদেশতকী লাকপা মীওই কয়া অমা খুন্দাদুনা লৈরি। মসি য়েলহৌমীশিং অসিগী পুকচেল চাউবগী খুদমনি। অদুবু লমদম অসিদা শৈদাংফম লৌরবা মতুংদা শৈদাংফম পীরিবা মপুদা শীংনরক্লবদি ঐখোয়না তুমীন্না খক লৈরোই হায়না ফেদরেসন ওফ হাওমিগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি ডা. লৈশেম্বা মঙাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মণিপুর চহী লিশিং ২গী পুৱারীগা শাগোন্নদুনা নিংথৌ ৭৬ পান্দুনা সাউথ ইষ্ট এসিয়াদা মনিং মখা তম্না পাল্লকখিবা লমদম অমনি। ইরৈবাক অসিগী নীংতম্বা ঙাক্লবা ঐখোয়গী ইপা-ইপুশিংনা ঈ কৎতুনা অথৌবা-অথৌবী কয়ানা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবনি। মসিদা মণিপুরগী পুৱারীবু শীংনদুনা মণিপুরগী লমসি তম্পাক্কী ৭০০ স্কৱার মাইল খক্তনি, চীংগী থবক তৌবদা অয়াবা হান্না লৌগদবনি হায়না লৈঙাকপু শীংনরকপা অসি মরম চাদে হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

কার্গিল বিজয় দিবস থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৬ (ঐচ এন এস):

লৈবাক অসিগী মফম কয়ামরুমদা পাঙথোক্লবগুম আই জি এ আর (ইষ্ট)/জ্বলামুখি সেক্তরগী মখাদা মরাম বট্টালিয়ন্না শীন্দুনা কার্গিল বিজয় দিবস পাঙথোকখিবগা লোয়ননা লানফম অসিদা থৱায় কৎখ্রবা লান্মীশিংগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎখ্রে।

থৌরম অদুদা বট্টালিয়ন অসিগী ওফিসিএটিং কম্মান্দেন্ট, জে সী ওশিং অমদি ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা লানফম অদুদা লৈখিদ্রবা লান্মীশিংগী মফমদা হৈকৎ-লৈকৎ তমখি।

অমরোমদা, আই জি এ আর (ইষ্ট)/২২ সেক্তরগী মখাদা ৪৪ অসাম রাইফলসনা শীন্দুনা তমেংলোংদা লৈবা মেমোরিএল ষ্টোনদসু হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা কার্গিল লানফমদা থৱায় কৎখ্রবা লান্মীশিংগী মফমদা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি। পনবা য়াবদি কুমজা ১৯৯৯গী জুলাই ২৬তগী হৌনা কার্গিল বিজয় দিবস থৌরম অসি পাঙথোক্তুনা লাকখিবনি।

ৱার্ক্স মিনিষ্টরগী পূক্নিং চিংশিল্লক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ২৬ (ঐচ এন এস):

ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চনবা নোংপোক ককচিংদগী সাইখোম মিরাবাই চনুনা টোকিও ওলিম্পিক গেমস ২০২০দা সিলভর মেদল ফংলকপদা ষ্টেট লৈঙাক্কী মায়কৈদগী থাগৎপা, নুংঙাইবা ফোঙদোক্তুনা ৱার্ক্স মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎ মশামক্না মেদালিষ্ট অসিগী য়ুমদা লাক্তুনা মেদালিষ্ট অসিনা লৈরিবা মফম অসিগী লম্বী-থোং ফৎতনা লৈরিবা অসি শেমজিল্লগনি হায়বগী থাজবা পীবীরম্লে হায়না ব্রাইট ৱে ষ্টার য়ুনিয়ন ক্লব, নোংপোক ককচিংগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি এন রাজু মীতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, সিলভর মেদালিষ্ট মিরাবাইনা মহাক্কী পোক্নফম লমদম নোংপোক ককচিংদা থুংলবা নংননবা অকনবা মওংদা লম্বীগী পোট হোলশিং শেম্বীরি। মসিগীদমক ৱার্ক্স মিনিষ্টরবু নোংপোক ককচিং ভিলেজ দিভেলপমেন্ট কম্মিটি, ব্রাইট ষ্টার য়ুনিয়ন, নোংপোক ককচিং মৈরা পায়বী লূপ অমদি ইমুং-মনুংগী মায়কৈদগী থাগৎপা অমদি তৌবীমল খঙবা উৎচরি। লোয়ননা অথুবা মতমদা লম্বীসু কোয়লাস থাবীদুনা ওলিম্পিক মেদালিষ্ট অসিনা লৈরিবা মফম অসিগী লম্বী-থোং শেম্বীদুনা অফবা লম্বী অথুবা মতমদা ওইহনবীয়ু হায়নসু ৱার্ক্স মিনিষ্টরগী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

‘লান্না উহন্ননবা হোৎনরকপা লাইবক থীবনি’

ইম্ফাল, জুলাই ২৬ (ঐচ এন এস):

মণিপুর লৈঙাক্না হন্দক্তা নৌনা ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দ্রি দিরেক্টর ইন-চার্জ ওইনা খল্লক্লবা ডা. সী ঐচ নন্দকিশ্বরবু খুদম চাংদম অমত্তা লৈতনা ক্রিমিনেল কেস লৈবা ওফিসর ওইনা মীয়ামদা লান্না উহন্ননবা মীওই অমনা হোৎনরক্লিবা থৌওং অসি লাইবক থীবনি। মতুংদা অসিগুম্বা থবক অসি তৌবীগনু হায়না ওল মণিপুর ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দ্রি ফিল্দ এসিষ্টেন্ট ইমপ্লোয়ীজ য়ুনিয়নগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ওল মণিপুর ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দ্রি ফিল্দ এসিষ্টেন্ট ইমপ্লোয়ীজ য়ুনিয়নগী সেক্রেটরি সী ঐচ অশোকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুর লৈঙাক, ভেটিরিনরি দিপার্টমেন্ট অমদি নৌনা দিরেক্টর ইন-চার্জগী ফম পুরিবা মীওই অসিবু মীয়াম্না লান্না উহন্ননবা কনাগুম্বা অমনা হোৎনরকপগী থৌওং অসি য়ুনিয়ন্না য়াম্না লুম্না লৌই। য়ুম্ফম য়াওদবা ৱারোলশিং ফোঙদোক্তুনা দিপার্টমেন্ট অসিবু মীংচৎ থিহন্ননবা হোৎনরকপগী থৌওং তৌবীগনু। মণিপুর লৈঙাক্না হৌখিবা জুলাই ৮দা থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না ডা. সী ঐচ নন্দকিশ্বরবু ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দ্রিগী দিরেক্টর ইন-চার্জ ওইনা থৌ পুননবা হাপ্লকখিবনি।

ভিজিলেন্সকী ক্লিয়ারেন্স লৈরবা, দিপার্টমেন্টেল ইনক্বারিসু লৈতবগা লোয়ননা মহাক্কী মথক্তা ক্রিমিনেল কেস অমত্তা চথবা লৈতে হায়বা ময়েক শেংনা খঙলবা মতুংদা ফম অসি পুননবা হাপ্লকখিবনি। মসিগীসু মথক্তা মহাক দিপার্টমেন্ট অসিগী জোইন্ট দিরেক্টরশিংগী মনুংদা সিনিয়রমোষ্ট ওফিসর অমসুনি। অদুবু য়াম্না লাইবক থীবা মওংদা রুলস ক্রাইটরিয়াবু ৱাহন্থোক লান্না হন্দুনা লান্না উহন্নবা হোৎনবা অসিদি তৌহন্নিংদে। ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দ্রি দিপার্টমেন্ট অমসুং মীয়ামগী খনবীদুনা মতুংদা অসিগুম্বা অরানবা ৱাফমশিং অমুক হন্না শন্দোকপা তৌবীগনু। মদুগী মহুৎতা দিপার্টমেন্ট অসিগী চাউখৎনবা অমদি দিপার্টমেন্ট অসিনা মীয়ামগী থৌগল নীংথিনা তৌবা ঙম্ননবগীদমক হোৎনবদা মায় ওনশিন্দুনা মতেং পাঙবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা মাস এৱ্যের্নেস পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৬(ঐচ এন এস):

মালেমগী লৈবাক পুম্নমক্না তমথিরবা কোভিদ লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লনবা অমদি থেংনবা ঙম্ননবা কম্মিটি ওন কোভিদ-১৯ মণিপুর (কাদা, য়ু পি এফ, নিপকো, এমসু, য়ু পি এ সী ও, মপি কাউন্সীল)না শীন্দুনা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট, কাংপোকপী অমসুং সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা কোভিদ-১৯গী মাস এৱ্যের্নেস পাঙথোকখ্রে হায়না কম্মিটি ওন কোভিদ-১৯ মণিপুরগী মীদিয়া কোওর্দিনেটর গীতচন্দ্র মঙাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ‘দু ভেক্সিনেসন, ষ্টে সেফ ফ্রোম কোভিদ-১৯; ভেক্সিনেসন ইজ দি ওনলি ৱে টু ফাইট কোভিদ-১৯; মেন্টেন এস ও পি, ষ্টে সেফ এন্দ হেন্দি; লেটস ফাইট কোভিদ-১৯ টুগেদর’ হায়বা থীমদা এৱ্যের্নেস অদু পাঙথোকখিবনি। ঙসি এৱ্যের্নেস চথখিবা মফমশিংদি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা থরোইজম, সলাম, লৈতোং, কাচিখুল ভিলেজ, সঙাইথেল ভিলেজ, মাক্লং, ঙাইরাংবম, কৈথেলমানবী, মোইদাংপোক, শজিরোক, হৈগ্রুজম, খাইদেম, খুম্বোং, সগোলতোংবা, কোন্থৌজম, খাবি, থাংতেক, ফোইজিং, অৱাংজিরি, নম্বোল বালারাম খুল, কবো ৱাকচিং, লৈমরাম, কামোং, নম্বোল লাইতোঞ্জম, খোঙহাম্পাৎ, ফৈদিঙ্গা অমসুং তেন্দোংয়াননি। কাংপোকপী অমসুং সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা মোটবুং, কাংপোকপী, কারোং, সেনাপতি, ময়াংখাং ভিলেজ, টি খুল্লেন ভিলেজ, সপরমৈনা, তগারামফুং ভিলেজ, কৈথেলমানবী, লৈকোপ ভিলেজ, তুজাং হাং ভিলেজনি।

এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অদুদা কোভিদ লায়না-লাইচৎ অসি থেংনবদা মীয়াম ৱাখল তাদ্রগদি থেংনবা ঙম্লোই, কোভিদ-১৯গী লায়ওং উৎলবদি শোয়দনা টেষ্ট তৌথোকপীগদবনি। অনাবা লোৎশিন্দুনা থম্লোইদবনি। ঙন্না লায়েংহৌবনা অদোমগী মমল য়াম্লবা পুন্সি কনগদৌরিবনি। চহী ১৮ হেল্লবদি শুংশোয় শোয়দনা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকসি। ভেক্সিনেসনগী মতাংদা শন্দোক্লিবা তোকঙাশিং থাজবীগনু। ভেক্সিনেসন নত্তনা কোভিদ থেংনবগী পাম্বে লৈত্রি। ভেক্সিন কাপহৌবনা কোভিদ পোজিটিভ ওইরবসু কা হেন্না হকচাংদা খুদোংথিবা থোকহন্দে। দল্লিয়ু ঐচ ও, হেল্থ দিপার্টমেন্ট অমদি হোম দিপার্টমেন্টনা পীরিবা মতম মতমগী এস ও পিশিং ঐখোয় খুদিংমক্না ঙাক্না চৎমিন্নসি। ফেস মাস্ক নীংথিনা উপ্পা কাউবীগনু। কোভিদ-১৯ অসিবু মায়থীবা পীনবা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা ফ্রন্টলাইন ৱারিয়রস ওইনা লৈরিবা ডোক্তর, নর্স, হেল্থ ক্যের ৱার্করস, পুলিসনচিংবনা মীওইবা খুন্নাইগীদমক লৌরিবা থৌদাং অসি ঈকায় খুম্নসি হায়বা ৱাফমশিং ওদিও রেকোর্দিংগী খুথাংদা খঙহনখি। লোয়ননা দ্যুটি তৌরিবা পুলিস পর্সনেলশিংদসু কম্মিটিগী মায়কৈদগী ফেস মাস্ক অমদি হেন্দ সেনিটাইজরশিং তেংবাঙ ওইনা খুৎশিন্নখি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ঈকায় খুম্নবা উৎলক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ২৬ (ঐচ এন এস):

ইম্ফাল ইষ্টকী লল্লাই এ সীগী মনুং চনবা নোংপোক ককচিংদগী সাইখোম মিরাবাই চনুনা টোকিও ওলিম্পিক্তা ৱেথলিফ্টিং মশান্নদা সিলভর মেদল ফংদুনা ইন্দিয়াগী অহানবা মেদলগী একাউন্ট হাঙদুনা মণিপুরগী মতিংবু মালেমদা শক্তাক্তুনা ইন্দিয়াগী মিংচৎ পুরকপা ঙমখিবগীদমক কো-ওর্দিনেটিং বোদি খুরাইনা মিরাবাইবু অৱাংবা থাক্তা ঈকায় খুম্নবা উৎচরি। লোয়ননা মহাকপু লমজিং লমতাকপীরকখিবা কোচ অনিতা চনুবুসু থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

লমদমসিগী মীয়াম্না হরাও মথোই কারিঙৈ মনুংসিদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা মিরাবাই চনুদা মানা হান্না তৌরম্বা রেলৱেগী থবক্তগী হেন্না চাউবা থবক অমা ষ্টেট লৈঙাক্না পীরগনি হায়না মিরাবাই মশাদা অমদি লৈবাক মীয়ামদা ফোঙদোকখিববুসু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি হায়না কো-ওর্দিনেটিং বোদি খুরাইগী মীদিয়া কো-ওর্দিনেটরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

হার য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৬ (ঐচ এন এস):

পাৎশোই এ সীগী মনুং চন্না লৈবা পাৎশোই পার্ট টু মখা লৈকায়গী লৌমীশিংদা আর কে ফোর্চুন দিভেলপর প্রাইভেট লিমিটেদকী মেনেজিং দিরেক্টরসু ওইরিবা সোসল ৱার্কর আর কে রামেশ্বরনা হার য়েন্থোকখ্রে। হার য়েন্থোকখিবা অদুগা মরী লৈননা আর কে রামেশ্বরনা ফোঙদোকখিবদা, কোভিদ-১৯গী চৈথেং ফংলবা ৱারবা মতম অসিদা লৌমীশিংনা হার ফংদবগী অৱাবা অমুক মায়োক্নরিবা অসিদা খরদা ওইরবসু মতেং ওইননবা অমদি অৱাবা কোক্ননবা লৌমীশিংদা ঙমজবা মতেং পাঙজবনি। মতুংদসু ঙল্লিবমখে মীয়ামগী অমদি লৌমীশিংগী মতেং পাঙখিগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

মাস ভেক্সিনেসন

ইম্ফাল, জুলাই ২৬ (ঐচ এন এস):

ৱাইতোন জি পি কোভিদ-১৯ সেকেন্দ ৱেভ টাস্ক ফোর্সনা য়ুথ দিভেলপমেন্ট এসোসিএসন (ৱাই দি এ), প্রিন্স ক্লব, লোকেল দিভেলপমেন্ট এসোসিএসন অমদি য়ুথ দিভেলপমেন্ট এসোসিএসন কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্সকা খুৎশম্নদুনা শীল্লগা ঙসি ৱাইতোন মনিং লৈকায় কম্যুনিটি হোলদা মাস ভেক্সিনেসন অমা পাঙথোকখ্রে। হায়রিবা কেম্প অসিদা মীওই ২৫০ ভেক্সিন কাপথোকখি হায়না ৱাইতোন জি পি কোভিদ-১৯ সেকেন্দ ৱেভ টাস্ক ফোর্সকী পব্লিসিটি সেক্রেটরি দল্লিয়ু জনমঞ্জয় মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, টাস্ক ফোর্স অসিনা কোভিদ টাস্ক ফোর্স শওম্নুংগা খুৎশম্নদুনা শওম্নুং ষ্টুদেন্টস ক্লবতা মাস ভেক্সিনেসন অমদি মাস টেষ্টিং পাঙথোকখি। মাস ভেক্সিনেসন অদুদা মীওই ৭২ ভেক্সিন কাপখিবগা লোয়ননা মাস টেষ্টিং অদুদা মীওই ৮০ টেষ্ট তৌবদা মীওই ৪ পোজিটিভ ওইবা থেংনখি। অমরোমদা, টাস্ক ফোর্স অসিনা য়াইফ লমজিং ক্লব চিঙারেল তেজপুরগা খুৎশম্নদুনসু মাস কোভিদ-১৯ টেষ্টিং অমা চিঙারেল তেজপুরগী কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে। মাস টেষ্টিং অসিদা মীওই ১৫৫ টেষ্ট তৌবদা মীওই ৪৩ পোজিটিভ ওইবা থেংনখি হায়রি।

নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ২৬ (ঐচ এন এস):

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা নোংপোক ককচিংদগী সাইখোম মিরাবাই চনুনা ৩২শুবা টোকিও সম্মর ওলিম্পিক ২০২০দা ইনিদয়াগী অহানবা মেদল ওইনা সিলভর মেদল ফংলকপদা সী পি আই লল্লাই লোকেল কাউন্সীলনা হরাও নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি। মিরাবাইগী পোক্নফম লমদম ওইরিবা লল্লাই মায়কৈদা ৱেথলিফ্টিংগী অচৌবা ট্রেনিং সেন্টর অমা লিংবীরবদি সী পি আইনা থাগৎপা ফোঙদোকচগনি হায়নসু সী পি আই লল্লাই লোকেল কাউন্সীলগী সেক্রেটরি এলাংবম শ্যামকিশ্বরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।